
প্রেমকুমার

ঐহাক কবি অমসু নত্তে,
অকাওবা লেখক অমসু নত্তে।
চুম্না ঐহাকী থম্মোয়দা পাল্লবা
য়েন্নবা খন্না অদুতং অপেনবা
ওইগে হায়বগীদমক নৌরিঙৈ
মতমদা ইখিবা ঙাক্তনি।
থোইদোক্লা মসিনা হেক্তা অপা-
বশিংদা হাকথেংননা কন্নিগুম্বা
খন্নদং ওইন্নবসু পোকহল্লবা য়াই
নত্রগা য়াদে হায়বসিদা ইশাগী
ওইবা অনিংবা অমতা লৈতে
হায়বদি লাইরিক অসিগী মগুণ
কয়াম লৈরবা নত্রগা লৈতবা
হায়বসু খঙদে ঐগীদি পাবি-
নিংবা কাংবুনা পাদুনা য়েংবীবা
অদুগা পাবিনিংদবা কাংবুদা
থোইনা ন্নারৌনিংঙাই লৈতে।
অসিগুম্বা ইশাগী ওইবা অনিংবা
খন্নদং লাইরিক মচা অমা
ওইনা ফোংদোক্নবা হোৎনবদা
ঐগী ইতেং পাংবিখিবা অমদি
শেল-থুমগী মতেং পীরকপা
মণিপুর সরকারগী শিক্ষা
বিভাগকী লমল তোল্লে।

মখুম্ নম্বা

SHARMA UNION PRESS
SHUP
IMPHAL

অশিবা মণ্ড

O2,1PRE
L1

18409

অফোওবা

প্রেমকুমার

অহানবা নম্বা

কোপী লিশিং অমা

ইঙেন ১৮৯৪। জুলাই ১৯৭২

মথুম

রাজকুমার নকুলসনা সিংহ।

ব্লোক শাবা

লিন্দু ফোটোগ্রাফিক

পাওনা রোদ ইম্ফাল

নম্ফম

দি মণিপুর কো-ওপরেটিভ পব্লিসিং সোসাইটি লিঃ (প্রেস সেক্সন)

পাওনা রোদ, ইম্ফাল

কংফম শোকপা হক পুন্নমক অইবগীনি

ঐ	১
হিহোনবা	৪
তামহৌরবা থুঙ্গং	৮
ইতোমতনিকো	১২
ঐহাক্কী খোঙচৎ	১৫
মঙাল	২০
থুদি	২৩
পূন্সি মমল	২৬
তামহৌরবা পূন্সি	২৮
মিনোক অমা	৩০
লম্মাংনরবা পূন্সি	৩৪
চিক্লা তোর্ব্বান্দা	৩৯
লমথুংকমদা	৪১
শকখঙথিজ্রবা পূন্সি	৪৯
অশিবা মঙ	৫২

ঐ

ঐ—

ঐদগী হোৎনা ঐতোম্বা
ঐতোম্বগী মথং মথং
লোইবা নাইদনা চংখিগনি।

ঐগী পুন্সিস্তু ঐনি
ঐত্তগী— ঐনি।
ঐনা লৈখ্রিবা অসে
ঐগী সংসারনি।
পুন্সিগী মিকুপ থুদিংদা
ঐগীতমক হোৎনরুই ;
মীওইবগী থৌদাং করাদা
ঐ য়াওরমদ্রবদি
ঐবু লৈরমখিগদ্রা ?

অহুবু—
পুন্সি ! অচকপনি নহুগী সংসার।

ঐগী য়াখলদা —

য়াংলবা ফুরা কয়া শাগৎলি
নোংমদি শোইদনা
নিংশ্নাইথিবসু য়াই।
পুক্লিংগী সুরবা ঈচেলসে
মতমগী মোৎলবা ঈচেলনা
থিংবা ওমদনা চেনশিন্নকুনা
পুন্সিবু অনৌবা মওংদা
পুথিবসু য়াই।

ঋতুগী ঈংলবা উনথা
কালেনগী শারবা মতম
মতমগী ঈচেলদা তিন্দুনা মাংপ্রবসু
ঐদি
ঐনি।

ঐতনি —
ঐতগী সংসারদা।
অহুবুনে —
ঐগী পুন্সিগী

খোঁদাং পাংথোকদোরিব
ঐসে —
কনানো হায়বা
ঐহাক খত্তবা ওমত্রে ।

ঐনা —
ঐঙোন্দা হংই
ঐসি কনানো ?
পাউথুম য়াওদবা য়াহংনি
শকখণ্ডদনা লোইখিগদৌরি ।
ঐগীদমক লৈরিবা ঐসে
ঐবু মশক খঙলমত্রি ।

অদুবু —
শকখঙত্রবা ঐসে
ঐহাক্কী কনানো হায়বা
খঙনবা থিবনা
ঐগী থবক ওইরি ।
ভোয়না হংই ইভোমতা
ঐগী সংসারদা
ঐহাক কনানো ?

হিহোনবা

ঐহাক হিহোনবনি
কদাইদা ঐহাক পোকপা ;
হিহোনবা ওইনা
করম্না চাউরকপা
ঐহাক মহুস্ত খঙদে।

মাংদা পাক্লবা ঈপাক অমা লৈরি
ঈপাক অসি লানগদোরিবনি ঐহাক
করম্না লানগনি ঐহাক খঙদে।
হি অসিদি ইতোম তণীনি
অনিশুনা তোংবস্তু য়ারোই।
খুৎতনা নোপ নোপ লাওরবা নৌ
কনাস্তু য়াওদনা করম্না লানগনি
পাম্মুরবা ঐগী থরাৰ্য়সি পুহনা।

অহবু —
চৎতবদি য়ারোই।

তাইবঙ ঈপাক অসিদা লাম্হৎনগদৌরিবনি
মসি ওয়না চৎথিগদৌরিবনি ।

নিংথিবা কিজোল শেত্তুনা
শকহেনবী হেন্দোরশিংনা
ঐগী মাংদা শারগি জগোই
য়েংথিগত্রা য়েংলরোইত্রা ককণ্ডাওনরে ।

শংবাররবা পাক্লবা লমহাংদা
শাম্নিবা ঈথৎকী জগোইনা
কৌরি লাকলো হায়না
পোথাক্লরশি হুংঙাইনা ফমুংদা
লৈগী শয্যদা হিপতুনা ।

নুরবা লাইজ ঈচেলথক্তা ; তাওথরি—
ঐগী পিরবা মুংশিরবা হিদি
কদোম্দা তাওথরিবনো হায়বগু থওদে ।

হঙৎনা হোনগে হোৎনক্লই
নৌ কোম্বুনা মতোকই ।

মাইগী থুদিংস্থ ভরবা লৈচিন্না
শিনবা থুংনা কুপথ্রে ;
অথাক অরাও কয়াস্থ তারকলে
নোংথাংগী মঙালনা কুকেৎ কাফেৎ তৌরকলে
নোংলৈ মুংশিং কয়াস্থ
কয়া কয়া হৌরকলে
মাইগী লাকপা ভয়কত্রে।

কয়াম লাপ্না হোৎরকলবা
তোর্ব্বাননা কদোমদা লৈহৌরবা
খঙবা ভমত্রে করিস্থ।
তাইবঙ কনা অমত্তস্থ
হয়া উবা ফংলকত্রে।
কয়াম লাপ্না হোৎগা
লমথুংফম্থ য়োংগদৌরিবা ?

পাকলবা শংবান্নবা ঈয়াইশিদা
করম্না ঐহাকনা সংসারদগী লাকলিবা ?
ঐহাকপু শোংলবা লমহাং
শুকলবা লৈচিন্না কুপথ্রবা
তর্মথিন্নবা মকম অসিদা
অরোইবা হিংলোন ওইরগত্রা ?

ঐহাক্কী থম্মোয়দা
তংজনা মিংশিংই
নোংমা হংখিবা ৱাথলদা,

"নহাক করি তৌবা লাকলিবনো ?"
ইতোমত্তা পুমখি—
"ঐগীদি তৌদবা য়াত্রবা ইথৌনি
তাইবঙ হিরেন হোনবা লাকপনি।"
অদুদি করিগী নিংহন্নরি
চংশিল্লু হিথুংকম য়োবা কাওবা
আশাগী ৱাথলনি।

ঐদি লোইবা নাইত্রবা
তান্না উরিবা অশংবা অতিয়াগী
তুংইন্না হোনবা পাম্মী হিসি
য়েংবা পাম্মী নিংখিবা কয়াস্থু।
অদুবু—
চংশিনখ্রে হিসিদি
ঐনা জান মাংলিতৈ
থোং নৌরবী হেলোয়শিংগী মনাক্তা।

তামহৌরবা খুঙ্গং

তামহৌরবা ঐহাক্কী পিক্লবা খুঙ্গং
নিংশিংলকলে ওসিম্থু নহৌবা অমুক
পিকলিঙৈ পূন্সিগী হুংশিরবা য়ারী কয়াম্থু
মথং মথং ওইনা তাওথরকলে
কল্লবা নিংশিং ঈচেল্লক্তা ।

লাপ্তক্লা উরুবদা
পূন্সিং ছুরবা
অশংবা লবুক মনাক্তা
চীংয়াগী হাইথরককদা লৈরিবা
তাম্না লৈহৌরবা ঐগী খুঙ্গংগী
হুংশিরবা য়ারী কয়াম্থু
অমংতা চিথদনা লাকলে ।

খুঙ্গংগী অশংবা লমপাক্তা
ষণবী ষণমাও পুহনা
খতুগী হুংঙাইরবা পুংজাদা

ষণ শেল্লিচৈ ঐহাক্সী ;
পামেল কয়াগী মরুমদা
ইদোম তরক কমহুনা খোংখিবা
কায়রবা ঐগী পিক্সবা বাঁশি সুর
লাপুক্সা নৈরিবা চীংয়াগী নাপোমদা য়ৈরুবা
পোম্বী চেক্সা কয়ানা
অশংবা অভিয়া খেৎন পাইরকপা
ঐনা মোমোন নোকচপি।

ঈশিং খোং মপান্দা
মরুপ মপিক্সা কয়াগা
ঐহাক্সা খোই চোপমিয়খিবা
থম্মোয়ঙুৎদা লৈহৌরি
কাওভমজবা খোঁদোকশিংহু।

চীংজাও নাপোম কাহুনা
মোংশোং মরক্তা
হরাওনা হেকতুনা চাথিবা হৈজামপেৎ
ওম্মোক্সসু হাওবনি
ঐগী খুক্সংগী উৎহৈদো।

খুদংগী নাকলদা চেল্লিবা তুরেলদা
মরুপশিংগা শাম্নথিবা
মতম অহু অমুক হল্লা লাকলরোই।
খুঙ্গাশিংগী হুংশিরবা থোঞ্জেলসু
তাখিত্রে ওসিদি।

হৌগ্রবা পূন্সিগী ইতিহাস
নিংশিংলুবদা
মিত্তগী পি শিন্থরি !
পূন্সিগী হৌথিবা য়ারী
শেমগ্রবা ঐগী থম্মোয় ইতিহাস
থম্মোয়মুংদা লৈহৌরে
চিক্লা কনা থওদনা।

লুপ্পমলগনি চেন্থ্রিবা
অহুতৈগী পিকলবা ঐগী খুদংগী
ঈচেল কল্লবী তুরেলদা
তাওথরম্লগনি খুদংগী হুংশিরবা য়ারী কয়া।

অহুবু, থম্মোয়মুংদা লৈরিবা
ঐগী পিকলিতৈ খুদংগী য়ারীদি

চামথোকপা ওয়রোই হন্দক মপোকী
কল্লবা ঈচেল লাকতুনসু।

ঋতু কয়াগী য়াওলদা
ঐসু অসুম চৎখিনি
ঐগী পূন্সি লোইখিনি
হাংলবা মালং অসিদা।

ভামহৌরবা ঐহাকী পিকলবা থুঙংগী
মুংশিরবা য়ারী কয়াসু
ঐগা লোয়ননা চৎমিন্নগনি।

মুংশিরবা থুঙংগী য়ারী
কনানসু খঙলরোই
লোয়না তুমিন লোইথ্রনি
খঙবিনবা য়াওদনা

ইতোমতনিকো

ঐহাকসু—

পুন্সিগী পান্নবা ঈপাক অমা লানগদোন্নিবনি

অদুবু—

লানমমদাইদা,

ওয়াত্তংগী ওইনা তোর্ব্বান্দ লেপলি।

কল্লবা ঈথক কয়ানা

ঐহাকী মাইপৈ তন্না

নমহৎলগে মতাগুম

লাও খোংহনা পাইশিল্লকলি।

হাইকেৎতমক নোকই;

মখোল খোকপরা

খোক্তবরা খত্তদে।

খোঙ অসি থাংথবা হৌরকপদা

গুত্রংদা য়েংশ্রিবা মিৎনা

মমি শামি ওইনা

মমলবা মতম অসিদা

ঈয়াইদা ককণ্ডাওনরবা
মীশক অমবু উখি ।

হাইফেৎতমক থাংগৎলুই
থাংথরুরবা খোঙহূ— ।

খোঞ্জেল খোক্লা কৌরুই
নাত্তোম ঈরাললিবা হুপা ;
তমখিরবা ঈরাওখোল্লক্কা
তিনথমাল্লে খোঞ্জেলহূ,
মাগী মপাঃউ তাখিদে ।

অমুকসু—
হো ঃ নাইত্তোম চৎলিবা হুপা
লম্বী অহূ ওমরে
থঙ্কিক্তংদি হোনগৎলু
অতুপনে—
চৎনিংবা মাইগৈদা চৎখে ।
হাইমা !
মৈরাঙ্খি য়াওজবোই
ও । অরাবনি !

নহাক্কী পুন্সি।

মঙাল অমত্তা য়াওদনা
কল্লবা ঈরৈ মরক্তা
ঈরাললিবসিবু—,

রাখলগী লংজিন পুনশ্রবয়া ?
পনথুং য়ৌদনা
পুন্সি লোইবা তারেদো !

তাত্রমায়ে ঐহাক্কী খোঞ্জেলসে
ই। তিনগ্রবো:ইরে ঈরাওখোল্লক্তা।

ইহে, ইহে,
তাওথক্রে, তাওথখ্রে;
অস। ওহোকপনিদা।
লমথাংদা কেমলেদো
পুন্সি পন্থুং য়ৌদনা।

ঐহাক্কী খোঙচৎ

পূজিগী য়ুম্ফম—

কনানা খোনগনি
কনানা তৌগনি
কনামা তাকনি
ঐহাক্কী য়ুম্ফমগীদমক।
কদায়দনো, কদোমদনো, কৈমনো!
চৎকদবা, য়েংগদবা, তাগদবা;
মখোয়গী খোল্লাও, মখোয়গী মশক
মখোয়গী মিত্রং
শুম্মৎলাই পুরবা যন্ত্রগী
ময়াই কারবা খোঞ্জেল
করম্না ঋৈরগদৌরিবা থম্মোয়দা?

অরেম্বনি অরেম্বা
ঐহাক্কীদমক ঐ লৈ
পুন্নমক ঐগীমক্তনি
কনাদা অমুক হায়রকপনি।

মরৈলোম্বা রাজনিতী
কাহংলবা অর্থনিতী
মিপাইয়বা ধর্ম্মনিতী
ঐহাকৌনা কারি ?

খণ্ডদনা খণ্ডবা শাবা
উক্লদনা উবা শাবা
তাইবও পুলি অন্দা
তৌরবা য়াদবা ইখৌরা ?

মাংখ্রে লোইখ্রে
লাকলি মাংখিনি
তাগনি নোকনি
খণ্ডলোই করিসু
ঐহাকসু নহাকসু মহাকসু
অমহানি অমহা।

কনানা কনাবু
করি তাকদৌরিবা ?
কনানা কনাদগী
করি হেলবা ?

1৪৭০৯

কনাদগী কনানা
করি য়াৎলবা ?
তৌশিন্নবা তাৎনা
অয়োনবা চিয়োলদা
পুন্সি লৌনম তৌবনি
[illegible]নি ।

শারবা লৈকংনা অমদা
ঐহাকসু খোঙথাকম থঙদনা চৎলিবনি
লৈশা থাংনা থাংনা
[illegible]বা মাইথোংগা
[illegible]থাকম থঙ[illegible]বা থম্মোয়গা ।

খুৎলাম তোয়না কৌরি
লাপ্তক্লা মোমোন নোকতুনা
[illegible]গোই শাবী মতৌগুম
খেক্লা খোইনা মরুত্থাম্না ।
[illegible]গে [illegible]থাকম, [illegible]দিনৈ [illegible]
[illegible]বা মতমদা
[illegible]বা অহিংদা
[illegible] অমুক ।

হায়রি মচিন্দসু
মহাক্কীদমক থমলি
হাওরবা ময়াই কারবা,
অচাপোৎ, থরুনবা কয়া ।

চারো, থকলো
মমল য়াওদনা চুংঙাইনা,
নহাক্কী ঙাক্তনি
নহাক্কী— ।

পুবদি য়ারোই কৈদৌঙৈদসু
অয়েন্বা শরুকসু থনমগদবনি ।
ঐদি লল্লোনবিনি
লল্লোনবি ।
ঐহাকসু অমাং অতোং থিরিবনি ।

পোথারো ঐহাক্কী নাক্তা
চুমথুন চনথিনবা চুংঙাইনা
চুংঙাইরবা, রাগ-রাগীনীনা থল্লবা মকমসিদা ।
পোথাদনা চৎকনি করম্না
রায়বা পূল্লি খোঙচৎসে
ওহাক্তং ঈখৌনাংবা কোকহন্দনা ।

ঐহাকসু খণ্ডই—

চংলুরবদি মকমসিদা
ঐহাক্কী পূন্সি
নোকনি মোমোন মোমোন
কাহৎলবা হকচাংসু
তনৌ তনৌরগনি।
সিপাইরব্বা থম্মোয়সু
পোথাফম খণ্ডলগনি
নিরাশাগী মতম্বাক্তা হিপলুরবদি।

নহাকসু লাকনি
নোংমদি শোয়দনা মকমসিদা
ঐগুম্না লেনগনি
নহাক্কী পূন্সি অহুসু।

পুম্নমক অমহানি
অমহা!

মহাক, নহাক, ঐহাক পুম্নমক্কীনি!

মন্তাল

কনাগী খোঞ্জেলনো
                    তাবিবশিবু ?
তারুবদা থম্মোয় হুবসিবু
তাইওমরবরা ঐহাক্না
মতমগা—
                    ময়াগী খোঞ্জেল্লা ?
                    থেংলবা অহিংগী
                    লংলবা থাবল্লক্তা
                    খোম্বাং য়ৈনা লাকলিবা
                    মিরবা খোঞ্জেল ।
                    নঙগী খোঞ্জেলনা পুরক্তুনা
                    য়োরে পাক্লবা ঈপাকী তোর্ব্বান
                    কদাইদনো মহাক্না লৈরিবনা ?

কনাসু উদে
থাবলসিদা ।
কসোমদনো খোঞ্জেলদু ?

লাপুক্লা উরিবা
ঈপাক ঈয়াইদা তাওরিবা
মুশি মুশিবা শক্তমসিরা
ঐহাকপু শুম্মংলিবা অসিবু ?
নহাক্লা অশেংবা ওইরবা
ঐহাকসু নতুং ইল্লকে
শকথঙনখিসি ঐখোয় ।

ডাইখোনে নহাকপু,
নহাক্কী নতুং ইনবদা
রারে ঐহাক্তি
কল্লবা ঈরৈলকসিদা
নো' তম্বা থাহনা
লাইজ হিরম ফাংপসি ।

চংশ্রগসু কৈদৌগে
কদাই তাম্না চংকদৌরিবনো ?
হংবসু থুমদে
হায়বসু তাদে ।
কদোমদনো, লোংঞ্জ অমুক ঈয়াইসিদা হন্দোক্লমগা

ঐহাকপু—
কল্লবা ঈরৈলকসিদা
অমম্বা অহিং অসিদা ।

কনাননো তেংবাংবিগদবা ঐহাকপু
ভোর্ব্বানস্থ লাপহৌরে
লাওজরুবা খোঞ্জেলস্থ
তিনগ্রগনি মালংদা
শহুম কল্লবা ঈথৎনা
থুঙ্খৎগ্রগনি পূম্নমক ।
লাপ্পা উরি—
ময়েক শেংত্রবা মৈঙাল,
উরে, উরে ; লাপত্রমাম্লে লমথুংকম ।

অমুক হনবা তৌররোই
নহাক্কী ননাক্তা লাক্লগে;
নহাক্কী নশক য়েংহনা
ঐহাক্কী লমী কাংচগে
ঐহাকপু লমী চিংবীয়ু ।

খুদি

শিবা হায়বছু
ঐহাক য়াম্না কী
মতম পূম্বদা—
মাঙোন্দগী লাপ্না লৈবা পাম্মী
মহাক্কি অসুম নকশিল্লকই !

ঐহাকী নাকলদা,
তুংদা—
মক্কম পূম্নমক্তা
ইমিগুম্না ইম্নরমাম্লে
হকচাং অসি ত্তনিকলে।
নোংমসু মঙোন্দা থংই !
মহাকপু কৌজবত্তনা
কোইচেন কোইচেন চেন্দুনা
মক্কম কয়া লোৎলুরে,
লোৎলু মক্কম খুদিংদা
মহাক্তমক লৈরম্মী।

মোংমস্থ খুৎলাম তোইনা কৌরকই
শাম্নরুশি হায়হুনা ।
মোংমনা ঐহাক্তী নাকলদা লেপ্লমই
খুদাং পায়হনা চিংগদবগী ।

নোংমস্থ মতুং ওম্বোকতুনা লেপ্লম্মী
ঐহাক শাকপা ঙাইহনা ।
মহাক্তী শুম্মৎয়াইনা শুমহনা
মোংমস্থ মতুং ইনগে হোৎনরুই
কৌজবনা চেল্লকই ।

ঐহাক্না উরমই মনাক্তা
শকফম কাইরবা মীওইশিং
শক্ল ঙাক্তা ঙাইহোরে
মশক লাকপা ঙমহোদল্লে ।
উতুপ তাগুম তারম্বহু
ঐনা শাকপা উবদা
ঐবু তম্না য়েংলকই
ইহো হোরবা মমিংতুনা
ঐহাক্না চেল্লকপা উরগা, মখোয় ময়াম নোকহোই ।

তান নাইরবা
পুন্সিগী ঈশৈদা
থবায় তানা নোকচবা
মানা ঐবু মশাওই ।

লাইশঙগী শরিক মথোক্কা
লাইশোল ঈশৈ শকলিঙৈ
লাইশঙগী থোংজিন্দা লেপ্লুনা
ঐহাক্না থোরকপা ঙাইরম্মী ।

ঐহাকী মুংঙাইরবা পুন্সি লম্বীদা
মহাক্না তংতমা মথংলি
ঐগী কমুং নাকলদা
নোংমা মাস্মু হিপ্পম্মী ;
ঐনা চেনগে হোৎক্নই
মানা ঐবু ফাজিনখি ।

ঐহাকপু মহাক্না শুমলম্মী
ঐহাকস্মু অহমক তুমথখি !

পূন্সি মমল

ঐহাকী পূন্সি মমল
কনানা তাকপা ওবগে ?
মতম কয়া চংহুনা
ঐনা মাবু খিরুয়ে ;
হায়বা ওমদে কনাসু
অসিনি পূন্সি মমল হায়বহু ।

ললোনবা ললোনবী কয়ানা
পূন্সি মমল তিরুরুই
অশেংবহু হায়রবে ।
শেঙ্গাও পায়বা ইবুংঙো
হন্নমমু কৈদোবগে অমুক্তংদি
পূন্সি মমল হায়বহু ।
কয়মবু ললোললিবা পূন্সিবু
পূন্সি মমল থওদনা ?
পূন্সি মিকুপ খুদিংদা
অশিমনা ইনাক্তা লৈরম্মী ।

ঐহাক্কী মতম লোইরকতৈ
মশক শেংনা তাক্লকনে।

তাইবঙ মাপাং অসিদা
ঐহাক্না খোঙদাইরকতৈদা
পুন্সি মমল হন্নরমনে।

পুন্সিগী মমলদি
'অশিবনা ওইরম্মী।

পুন্সি' মমল থিরিবা নহাকপু
অশিবগা লেঙ্গোনবৌ
পুন্সি মমল খঙগনি।

তামহৌরবা পুন্সি

মতমগী খোঙচৎ তুংইন্না—

তপ্না তপ্না ওন্নকলে ঐহাকী পুন্সি
পুন্সি খোঙকম থুদিংদা
থুদি থিজ্বনা নাম্বক্লরবা ঐহাকনি।

তান চাত্রবা পুন্সি' ঈশৈদা
তৎলবা তারগী
মরোল খোকত্রবা খোম্বোন্না
কাইহল্লবা থম্মোয়গী নারীদা
নৌনা শৈহেক হাপলুবা
নিংবা কাইনবা ওইজখি।

মিৎলু লাইজ ঈহৌনা
তামথ্রবা পুন্সি নারী খোঙকমদা
হন্না হন্না য়েংজবা
তামহৌরবা ঐগী নারীনা
নিলহল্লরি থম্মোয়দা ওসিনু।

অহৈঙে ঈংলবা থাবললক্তা খোংথিবা
শকথঙত্রবা চেকলাহুগী খোঙৈন
তারকলে ঙসিসু তাম্না
নৌহৌনা খোইরাংহন্নরে থম্মোয়দা ।

ঐহাকী পুন্সি—,
ঙসিদি,
অর্থ খোকত্রে;
তুমিন্না
লোইখ্রসু পুন্সি;
তুমিন্না ;
নিংশিংনুরগসু পুন্সিদো,
পুন্সি !

মিনোক অমা

ঈংলবা উথাদা, অশংবা নাপীদা
কালেনগী শারবা লুংশাদা

মৈশা থাংলি মালংদা, ইতোমতা কনাশ্রু য়াওদনা।
ঙাংলৈরবা— খোংনাং মনারক্তা
শংবানরবা— হৈবোঙ মনারক্তা
লোম্না পাইরম্মী অঙোবা লৈচিন
ছাংলবা অতিয়াদা, থজিক্তুং—,
তেন্না মক্ষোলগুম ত্তপ্না।

লোংনা হিপথৈ নাপীথক্তা, মুন্না য়েংই মালংদা।
তপ্পা হুম্রকই লুংশিংনা লুংশিরবা লৈনম অমগা লোয়নন
থম্মোয়'সে নোকলকই, মোমোন মতোমতা।

ঈচেল তপ্পবী —
ইস্কাল হুরেলনা ঙাথু থেংথু শাম্নরি
লৈরাই লৈয়াই খুদিংদা লুংঙাইনা;
ঈশিং থকলি ষণবীশিংনা, পেম্না মবূক পেম্না।

ঙসাইমথৈ—; খোঞ্জেল অমত্তা তান্নমদে
খঙহৌদনা— ।
হুংশিন্নবা মখোল থন্না তান্নকই
    হন্না য়েংই তুন্নেললোমদা অমুক তপ্না হৌগৎহুনা ।

অঙাং খরা শান্নরম্মী
ঈরোইহুনা ঈংশিদা
মুন্না য়েংই মিৎসিনা, মখোয় তন্না পেন্না ।
    হুংশিন্নবা ঈশৈ অমা তারকই—
    তান্না, তপ্না, ঈংনা ।

    উচেক অনি পাইরকই অতিয়াদা হুংঙাইনা,
অদোমদা অমুক য়েংলুরে ।
শাদানবগী গুলিনা পান্নবা
উচেক অমা তারকই ।
শাদানবনা পুথ্রে মথন্নায় য়াঙম্রবা উচেকতু ।

    মপাং কাইনরবা উচেক অমা
লাক্লা লাক্লা খোংহৌরে. ঐহাক্কী নিংবা কান্নদ্রে ।
লৈমাইথক্তা কেনথে চেংলৌ হেনবী লৈন্নাং অমা ।

থঙহৌরনা ভুমিন্না
ঐহাক্না লোননা য়েংলুরে
লৈমন চনখ্রে মহাক্তু।

খোঞ্জেল অমা—

অঙাং অমা কপ্লম্বী
মমানা ফুত্থনা পুখ্রে ;
ঐহাকী—
মিংয়েং ঙনখে
ভুরেল অহু
ইচিক চিকহৌরে।

ঙহাক অমুক লৈরগা
চেংহি শম্বাল লাংলরে
ইকাইথিবী ফুক্কাশিং।

ঐগী মিংয়েং ওস্থোকলে,
উন্নারক্তা পাম্বী—
ভাংলাং ভাংবা হৈজাম্নপেং।

লিন অমস্তু লৈয়ম্নী,
উনা মরক অম্দা
ঐহাক্না লোম্না য়েংলম্মী।

ষণাও মচা অমথক
মমা কাইনরম্লনা
মে, মে, হায়না খোংলকই
ষণবী অহু চেম্লকলে।
মমাগী মথোম থকচরে
মপুক থনজরে ষণাওহু।

হন্নকমুক্তি কনাসু উদরে
চুম্মিন,
চুম্মিন লৈনরমলে।

তাম্না উরিবা চৌংখাংখিং য়েংহুনা
ঐহাকসু অহম্মক লাক্লে।

হাইকেং নোকখিমাল্লে ঐহাকসু
মতমদুদা চুম্মিন্না।

লম্মাংনরবা পৃন্সি

ঙুংশিরবা খোঞ্জেল অমা
তাম্না, চিক্লা, লেমনা, মেগুনা
লাকলো হায়না কৌরকখি
শকখণ্ডত্রবা খোঞ্জেল অমনা
নাইতোম চৎলিতৈ ঐহাক্না লমশাং অমদা তাম্না।

চীংঙুংলোমদগী তারকখি— লোকঙুংদগী চেম্মরকপা ঈশিংগী
ত্রোং ত্রোং লাওবা মখোল
মাপ্পা চিক্লা তাখি ঐহাকনা, থম্মায় পেম্না ইত্তোমতা।
চেক্লা কয়াগী ঙুংশিরবা খোঞ্জেন্না
নিলহনখি থম্মোয়'সে
কাংথোকপা ওমত্রবা চিন্বান্দা মোমোন মোমোন নোকলকই
ইত্তোমতনি— চৎলিবা, কনাস্থ লোয়নদে।

তাম্না— য়েংখি মিংসিনা
অশংবা লবুক অমদা থম্মোয় অসি হয়াওনা।

ষজ্ঞেনহা অমথক
মদোম ভরক কমছুনা
অন্নাবা পূন্সি কাওথোকতুনা
মন্নোল চুমজ্রবা থোঙ্গোক অমদা
ঙ্গুংঙাইনা থোংলম্মী বাঁসি
মণাও মচা কয়াগী থোশাবদা ভম্বা হাপলি ভংতনা।

শান্নবা ঙ্গুংশা মরক্তা
উক্রম লাংলবা পামেল উথাদা
পূন্সিগী ঙ্গুংঙাইরবা শরুক অমথক
মহাক্কী মকমদা কংহল্লখি; থম্মোয় হন্নাওনা পোথান্নি।

কদোমদনো— ঐহাক্কী পোথাকম
ঐহাকনা— ঙহাক পোথাছুনা লৈরুবদা
অমম্বা কয়ানা ইথক্তা কুপলগনি।
পোথাবা য়াম্রবা ঐহাক'সে
পোথাবা ভোন্নন্নোই, ঐহাক অমমবু কী।

চৌংয়াগী নাপোমদা কাখৎতুনা
ষজ্ঞেনহা কয়ানা হৈজামপেং চান্নম্মী।

খোইথুম্ররবা— উঠৈগী মহাওনা
পুম্নি খোঙচৎপু কাওহল্লি ।
মচু চেনবা লিনথা অমত্তং লৈরম্বদা
চিকতুনা লোইগদবা পুম্নিনি— পুম্নিগী পোথাক্ন য়োগনি ।

অশংবা লবুক অমদা, লৌমী মচা কয়ামা
পুম্নি পামেল কংদনবা
ছমাং মরিক তাহল্লি, পুম্নি য়াইফ তাম্নকলি ।
লুরবা— লাইজ পুগ্রি অমদা
শাবী শানৌ কয়ামা, লাইজ ঈপাল লাংনরি ।
নোক্না-খেনা লেন্দুনা ; শারবা হুংশা থাংনরি ।
থম্না থকী মরুমদা, ডাগ্র থঙোং অনিথক
পুম্নি রারী শাম্নরম্মী ।

শাংলবা খোঙচৎ অসি শারবা হুংশা মরক্তা
ঈথৌ লাংলবা থম্মোয়'সে মিকুপ অমত্তং কাওহল্লি ।
পুম্নমক ঐহাকী মিৎয়েংনি ।
অঙোবা নোং মপৈ অমথক
অশংবা অতিয়া অচুদা তুমিম্না লৈরম্মী
ঐহাকসু নোকফেং তৌথি ।

শাংলবা লম্বী অহুদা
মৈশা থাংনা থাংনা, পুন্সি মিনোক অয়থক
ঐহাকনা— নোকে হোৎনরুই ;
পুন্নমক অরেম্বা তাখি।
ল্লায়বা পুক অসিনা, থাংবদা রারবা ঐগী হকচাংনি।

খঙহৌদনা : কেল্লকখি উহৈ অমথক
ঐহাকী লম্বী অহুদা—
ঐহাকনা— খুম্নুই উহৈহু চাগে থম্না—
চাবা ম্নাক্রে উহৈহু পুমলমলে মঙুংদা
ওৎক্রে ঐহাকী থম্মোয়'সে, সংসারগী পোৎ পুম্বনা !

লবুক্কী মত্তাই অমদা চিক্কা ; ইত্তোমত্তা—
পামেল উথা অম্নদা তপ্পা তপ্পা কমথহুনা
পুন্সি কবিতা— ইবা হৌথি !

মালংগী ; ঈংলবা শাহুমদা ঐহাকী—
নৌরবা মিৎ অনি, তপ্পা তপ্পা খুমজিনথি।
পুন্সি ; মঙলান্দা তাওখি
পুন্সি অরাবা থাংনথি।

ঐহাক্লা, ফিংনা হৌগৎলকই
অমম্বা শরুক অমনা ঐহাকপু ;
তপ্পা কুপশিল্লরুম্মী।
ঐহাক্লা-- কোইনা য়েংই
কনাস্নু উবা ফংখিদে, খম্মোয়রুংদা মিপাইরম্মী
চৎকম খঙলকতে ইতোমতা।

তুংহন্না হায়ফেৎস্নু মচৎলুই।

চিকলবা মতম অহুদা তাম্না—
খুঙংগী লাইশঙদগী হুংশিরবা— সন্ধ্যারাতিগী
শরিক মখোল, অমা তারকখি।
শোঙ অসি অমুক খাংহনা
পল্লেপকম খঙদনা চৎপা হৌরকখি।
খাঙগী— অঙৌংবা মাইখোং অমনা
ঐহাকপু— মুনা মুনা য়েংলম্মী।
অহিংগী লৈরাং কয়াগী লৈনমস্নু
তপ্পা— মালংনা হুন্নকখি।

লম্মাংনরবা পুক্লিগী খোঙকমদা হাইফেৎ নোকফেৎ তৌখি।

চিক্লা তোর্বান্দা

তোর্ব্বান অমদা ... ... নিকলবা খুৎ অসিনা
লৈঙোইশিং অহু চাইথোকখিবগা
— খঙহৌদনা থুংলখি পূশি— ;
কাওথ্রবা মতমগী মরক্তগী।

অয়াকপা য়ুংশিংশিংনা, নিলখোংহুনা
মৈহৎপিরম্লবা, সমুদ্রগী ঈরাওখোলনা
— ঙংনা ; মরেংজুম হাইগৎনা
তোর্ব্বান তম্না হোৎচিল্লকপা
লৈঙোইশিংনা মরু লুক্তুনা থাওবা
— পূম্নমক অহু, নিংশিংলকই।

চম্লাংনম্লবা য়াথল অমদা—
অপাম্বনা লাকহৎতুনা নৈথাইরবা,
নিংশিংবগী মমাংদা নিংঙাইদনা লাকলিবা
লাপ্লবা মফমদগী— সংসারগী য়াবনা
চোকথরবা হকচাং।

অহুগা— রামনবদগী নাইতোম তারবা পুন্সি ;
— পৃন্সি ইয়ুমদা— চেকশিল্লা হুংশিনা থমলিবা
মাংওইননা লৈরিবা, নাইতোম তারবা থরায়বুদি
মতমনা তাকমনবনদা লাখোক্লখি; পুন্সিসিদা।
ইতোমতনি; লৈহৌরিবা ; য়েংখিনবা নত্রগা পুন্সিবা !
— অহুবু— নিংশিংগনি পুন্নমক
অমত্তা চিংথদনা, পুন্সিগী য়ুম অহুদা— ইতোমতগী ;
মালংদা, তারমদাই থাজগী থাবল্লক্তা
থওবিদনা, মাওগ্রগদবা, লৈঙোই মরক্তা
নিলখোংলবা হুংশিংকী শাহুমদা
মচেৎ মচেৎ কেননগদবা মুত্তি,
নত্রগা ... ... লৈরোনহুংদা নাইতোম হিপগ্রগদবা,
শাওরবা, সমুত্রগী ঈরাওখোলনা নমহৎগ্রদবা খোঙেল
খুয়াগী ঊফুল্লক্তা, নোকতুনা খাংলগদবা
অশংবা পাখীনা নল্লরগদবা পুন্সি ;

অমদি— খোৎলবা, নৌরবা লৈরাংনা
ইচাই চাইরগদবা চোকথরবা হকচাং ;
নৌনা তেকখৎলকনি অমখা অহিংদা
— গির্জাগী মতোন্দা কমহুনা
নিংথম শৈশকলিবা মকুগী খোঙলোয়নবা।

লমথুংফমদা

কোইনা চৎলুরবা তুংদা; থুংলখি মফমসিদা
লেপ্পা লৈত্রবা খোঙথাংশিনা
মকশিল্লবা মাইথোং [illegible]

চরাম্নরবা— হাপ্লবা পূক ; মফম খুদিং চৎপদা
কনানস্থু পোথাকম পীবিরকত্রবা
চোকথরবা হকচাং ; শারবা লম্বেল কয়াদা
ভুরোই ভামলোই লাকপগী
শিন্থুরকলিবা হমাং মরিক,
ঐহাকপু নোক্লরি শকথঙদবা কাংবুনা
থুবাক হৌনা থুহুনা।
অহুবু— ঐহাক্তি, পূৃলিবু থিরবনি !

নোংমন্থু— কেক্কে অমগী কাচিন
মাংগী শোফা অহূদা থুৎ [illegible] [illegible]না
মফম অহুগী—
ইরাংদা ওহাক ভাওখি।

খঙহৌদনা তারকপা, খোঙজি মখোল
হন্না য়েংখোকখিবদা, জগোইশাবী অহনা
ঐহাকপু—, লোন্না য়েংলম্মী ;
মাংদা লৈরিবা গ্রাস অহ্ন পায়থংতুনা
অমুক অনিরক চুপই ।
অহদগী— তুমিন্না লাকখি ।

খঙহৌদনা, থুংলুবা মফম অমদা—
হুমিদাংন্নাইরমগী নিংথিরবা মচু অহনা
অশংবা নাপী'থক্তা ওন্না খোইনা থাংলম্মী ।
ঐহাক্না, মাই লৈখোকখিবদা তাওরবা মচু অহনা
তুমিন তরক শাংচরিবী, লাইজথকী থম্বাল'হদা লম্নরম্মী
অহদগী— খঙহৌদনা চেনখি ঈশিংথক্তা ।

লোংথি, অহগা চীংগী মরুমদা ।
অমুকন্থ— লৈঙোই শেক্তা মরক্তা
ঐনা তুমিন চংলিহৈ
লংখংলবা লৈঙোইশিংনা মুনা মুনা য়েংলম্মী ।
ঐনা, কমিন্থ নাচুংবা লৈতনা
তপ্না খোমগংলগা রাংনা চাইখি—,
অঙাওবা হুংশিং অমনা মখোয়বু পুহনা চংখি ।

অহৃদগী খঙহৌদনা থু'দখি
থুক্সংগী মচি অমদা।

অশংবা ফৌনা মরক্তা
চীংয়াগী হায়থরককমদা, লোৎলম্মী অতেনবা পুক্সি রারী অমা।
এনা উথা অমদা ফম্নগ। পুক্সিগী রারী ইশিনবা হৌই।
লৌরাংশুবা থুঞ্জাশিংনা মাগী থোদাং পাংলম্মী,
ফৌনাশিংগী মরক্তা লোৎতুনা শান্নরবা উচেকশিং
খঙহৌদনা পাইথোকখি
শঙ্গু শঙ্গু, অতিয়া খেৎনা—

চীংহুংলোমদগী— শকখঙত্রবা চেক্লাগী
হুংশিরবা থোঞ্জেল, ঈংনা চিক্লা তাংকই।
য.ঞনহাগী মুংশিরবা বাঁশি মথোলনা
থম্মোয় অসি শুক্লংখি।

খঙহৌদনা লোইশিনখি মুমিৎতু
মপুং কাহৌদনা ঐহাক্কী ইকমদা
লোৎখি মুমিৎনা চীংগী মরুমদা।
তায়রুই ঐহাক্লা মহাকপু—
অরেম্বা ওইখি, ঐহাক্কী রাখল।

লোইবা চৗংগী নাপোমদা
তাইবঙ খোদাং পাংহনা চীংঙী কয়ানা
হয়াও মখোয় কাহনা নোক্না খেনা লৈরম্মী।
অমম্বা অহিং অহুদা থাজনা মোমোন নোকলম্মী।
ঐহাক্না—
লোইবা চৗংগী উনারক্তা
লোম্না য়েংলুই পুম্নমক।
শকখঙদবা খোঞ্জেল কয়া তাখি ঐগী নাপদা;
নাচুংক্রবা ঐহাকসে, অকীবদগী লাপ্না চৎখি।

কোরৌ মঙাল লাকপদা—
লোইবা চহুরা ওইবা মুক্তাশিং, অচেংবা মথাংদা
পূন অমমম য়েপ্লহনা, লোকহুংগী লাইজ শোকলখি
মুক্তাশিংগী হুংশিরবা খোঞ্জেলনা
লোকহুং অহু পুমনিল নিলখি।
মালংনা হুমখিবা, মুক্তাশিংগী খোঞ্জেলহনা
চীংহুং লক্তা পুখ্রি।
লোইবা চৗংগী পুন্সিহু, ঐঙোন্দা কুইনা লৈখিদে।

নোংমনা সহরগী নিল খোংলবা ঈয়াওবোক্তা
ঐহাক্না— তুমিন লেপতুনা সংসারবু য়েংলম্মী।

থেংনখি মফমদগুদা
লায়না চোকথরবা মীওইশিং, মিহৌ চাওরবা কাংবুসু
তুহৎপিরবা লাইরবা; শেঙ্গাও পাম্বা মহাজন,
অথুদগী— চেংলৌ হেনবী মুক্তাশিং
সংসারবু থওইজ্রবা নহারোলশিং।

পুম্নমকতুগী মরক্তা অমুক,
পুন্সিবু ললোনবা, ললোনবী কয়া
সমাজবু ফিরুক খুমলি।
সমাজগী অফ-ফত্ত নৈনরিবা
মকোক তাংলবা নেতাশিং।
কারবার রাজা. কুলি, লাইরবা
ইনাকখুনবা, অশোনবা, অকনবা
খেন্নবনা থল্লবা পুন্সি অমগা অমগী মরক্তা।

হোটেলগী কাচিন্দা, জগোইশাবী মনাক্তা
গ্লাস পায়রহনা, পুন্সিবু; ওহাক পোথারুরবা কাংবু
সংসারবু কাওরবা মীওই।

পিল্লবা লম্বীদা চাওরবা গাড়ী
ফুংলবা মীরক্তা গাড়ীগী মখোল

অমনা অমবু উশিত্তে
ঐনা হেন্নে মত্তাগুম, হয়া য়েংনজবা পুন্সি।
কনানা চুমলিবা, কনানা লাল্লিবা,
অমনা অমগী পুন্সিবু লানবিবা
করিম্নু লৈতনা খল্লে পুন্সি, মৈরানবীগুম।
পুম্নমক লোয়না থেংনৈ সহরগী কুংলবা মরক্তা ;
কোংনা মকালায়া চাওখৎলবা সমাজদা।

নোংমনা—, চৌংদোলদগী সমাজবু য়েংখি
অশংবা নাপী-শিংবী, অরংবা ফুরা-দলান
সহরগী সরক, থুঙংগী লম্বী !
অদুবু- উখিদে সমাজগী মীদি পুম্নমক চপ মান্নবা !
ঐহাক্না, লাংতক্নরবা রাখলনা কোইনা থিখি মখোয়বু।

ঐকম অসি য়োরকপদা
সংসারগী নিলখোংলবা, অমদি—,
খোইশাওনরবা নঙগা অমুকসু হরাওবা —,
অমগা অমগা মায়ক্রবা তোঙান তারবা সমাজ
লোইনা মাংশ্রে ইনাক্তগী।
সংসার অয়েবা ওইরমদে।

সহরগী মম্লাইদা মঙ্গ্রগা—
খুজংগী চিদায়দা সমাজদি লৈরম্মী
মশক্তি লোৎলম্মী।

ঐহাকন্থ; পূন্সিগী খোঙথাকম থিরকপনি
কোইনা চৎলূই, কংখিদে কৈদম্থ।
লৈরম্মী মফমসিদা, চৎলুরবা ছুংদা পোথাকম।

মরুপ—

ঐহাকী রাহৈ অসিমতা তাবিয়ু; ঐগীদমক;
নহাক করিম্থ রাবীগনু ঐগীদমক থন্নুহ।
অহবুনে— অসিমতংদি পাংথোকপীয়ু।
ঐহাক্না; পূন্সিবুঃ নিংথিবা কোনশিনমিতৈদা
ঐহাকী করিম্থ পামজে।
হয়েং, সংসারগা ঐহাকা
তোঙাল তারক্লবা মতমদা
ঐগীদমক পীবিয়ু থুহ্‌প তক্লকী লমদদি
মফম অহদা থম্বীয়ু ঐহাকপু।
অহুগা— ঐহাক্নীদমক অরাবা ঈশৈ
নম্নগা— লাইশোল কামদে পুমনমক!

কাওথিনহু ঐহাকপু সংসারদগী,
মাইতোম তাথিনবা।

অমংবা নোংমা ইথক্তা তাররবা নত্রগা—,
অশংবা অতিয়ানা ইথক্তা লৈরিঙৈ
ঐগী করিস্থু রাংতে

অহুগা—,
মরূপ—,
অমমা—,
ঐহাকপু রাহনগন্থ
পুন্সিবু লোনম্বা
চিয়োল কাংবুনা
তাং তোহনবহ্নুনা ;
ঐহাক— মখোয়বু কী !

ঐগী হায়ববু—
নঙোন্দা পীননবা
করিস্থু লৈজদে ;
অদুবু— সংসারবুদি কাওগনু !

শকথওদ্রিবা পূন্সি

ঐহাক্কীসু—

মিকুপ অমতং পোথানবা মতম লৈরম্লবদি

চিৎথরম্লবা পূন্সিগী খোঙচৎতা

নিংশিংহৌদ্রবা অমুক্তসু— সংসারবু অমুক্তংদি পেম্না য়েংলমগদবনি

লোয়ননা চোকথরবা হকচাংসি

মপাঙ্গল খরতা ওইরবসু হাপলমগদ্যনি,

অতুবু, মতমতু লোইখ্রে ; হৌখিবা মতমসু হৌজিক্তনি।

কম্লাম কুইনা লৈরুরবা ঐহাক খঙহৌদ্রে।

জগোইশঙদা চংতুনা মকোই চোম্বা

মকোক তাংলি তাংলিবা ওষ্টাট অতুগী

[illegible] সুরদা, খোঙনেৎতুনা শারিবা

সংসারবু শুঙ্কাৎলিবী নিংথিরবী অতুগী জগোই—,

মাগী মিৎয়েংদা, মহাক্কী ভৌরুনবা মাইথোংদা

নত্ত্রগা—অমুকসু, চোইজাইনরবা শমলাংনা থুমলিবা মাইথোং

অতুগা, মহাক্কী শাথেক্তা ঐহাক জগৎপু কাওখিবনি

অনৌ অনৌরবী খুংশা অহূনা— অবংবা মই অহু
অনাল অনালবা গ্রাস অহূদা— অহূদগী ঐঙোন্দা
কয়াদা হাওগ্রবা কয়াদা লুংঙাইগ্রবা ?
মহাক্কীদমক ঐহাক করিসু থাকখিদে, মহাক্কনা পুন্সি ওইখি।
অহুবু, পুন্সি মপুং ফাগ্রবরা ঐহাক খঙদে ।
ঙসিদি পোথাকম লৈত্রে মকম কৈদসু ঐগী
মকম পূন্নমক ঐগী য়েক্লবা মাংসু তুংসু খুদিংমক্তা
ঐগী কনা সংসারসিদা ?

অহুবু তারি ঙসিসু অহূৎৈগী যন্ত্রণী মখোল
ঈশৈ, উরি অমত্তা চিংথন্না, মহাক্কী শাথেক, মশক্
ঐবু শুন্মাংলি, ঐবু শুন্মাংলি চিংথরমদনা কাওথোক্লমদনা !

অহুবু কদায়, মহাক্কি ঐবু খঙদে
ঐবু খঙদে, ঐঙনা খঙবনি ।
মহাক্কী অনৌবা মরুপ চংখি মহাক্কা লোয়নননা
ঐনা লাওয়ৈজে মানা তাদে
ঐনা লিৈজে জগোইশঙগী রারী
মহাক্কা নোকনৈ ।
ঐহাক কনানো ?

ঐ মশক খণ্ডত্রে
ঐনা ঐবু কাওরে, ঐহাক কনানো ?

… ওসিদি মোংকমদা …
অদুবু ঐদি পুন্সিসিদ
পুন্সি ৱারী মতেক'মা চিংথরমলে তামনা লৈহৌরে।
জগোঈশঙগী গাডিদা কমলিঙৈ নুমিৎ তাখিরমলে
সংসার মশক উহৌত্রে।
মুন্না য়েংলুবদা অমম্বদা শুক্না য়েংলকই ঐওন্দা।
ঐগী করি ইরাল
করিনো ঐগী ইরাল ?

করিম্ন খণ্ডহৌত্রে ঐহাক্তি
কনানম্ন উহৌত্রে ঐহাকপু
ঐহাকপু শকখণ্ডখিদেমখোয়না
অদুবু, ঐদি
জগোইশঙগী চিংথবা য়াত্রবা ভাবোকনি।

প্রেমগী অশিবা মও

থেংলবা অহিংদা······

·········হিক্লা হিক্লা কপ্পগী মখোলগী

নুংশুক নুংজ্জনুরে ঐহাকস্থ—

কাক্লি কাক্লিবা মিৎ, জ্ঞান য়াওদ্রবা চকচাং

করিস্থ খণ্ডদনা········· চিক্লা তাখি।

কোইনা থিথি, থাবল মরক্তা ইতোমতা, কনাস্থ য়াওদনা।

শুক্লবা উমং'মদা ঈচেল'মগী ময়াদা, উথাদা—

কপ্‌না লৈরম্মী; লাইয়েকপগী তুলিনা হাইকেৎ মচু শংলম্লবা

মপুং কাদ্রিবা শেগাইরবা, অয়েকপা লাই'মথক।

মথাক্তাই চাইকং অনিদা

শিম্বরকপা পিহু উকুল মরক্তা তিন্দুনা মাংখ্রি।

অয়েকপা লাইহু থশ্মোয় শোক্লা উরে।

য়াম্না পুকচেল চাওবা'মগুম, ঐনা হংই—

"করিগী কপলি মফমসিদা নতোমতা ?"

লাইহুনা—, কাক কাক নোকথোরকই মপিদি কংদনা।